# এ কে এস দি ও খাঙবোক্লা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে




**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮(ঐচ এন এস):** মণিপুর ক্রিকেট এসোসিএশন (এম এন সী এ)না শীন্দুনা হৌজিক চথরিবা ৪রক শুবা এম এন সী এ বোইজ অন্দর-১৪ টুর্নামেন্ট ২০২৪-২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এ কে এস দি ও খাঙবোক্লা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবাল মায়থীবা পীরল্লগা চেম্পিয়ন ওইখ্রে।

এস ঈ দি ও সী গ্রাউন্দ কোংবা ধোবী লম্পাক্তা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস ৱাই দল্লিয়ু সীনা ঙমদুনা হান্না ফিল্ডিং তৌনবা খনখিবদগী অহানবা ইন্নিংসতা এ কে এস দি ওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখি। এ কে এস দি ওনা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা ওপনর বেটসমেন ওইখিবা বোরিশ খুন্দ্রাকপমনা বোল ৪০ মায়োক্লবদা রন ২৪ লৌরমখি। মহাক্কী মতুংদা থোল্লককখিবা বেটসমেনশিংনা হৈন-শিংনা হোৎনদুনা মখা তানা টিমগী রন মশীং য়ামহন্নবা হোৎনরবসু মায়োক্লরিবা টিমগী বোলরশিংগী এটেক মপূং ফানা মায়োক য়াবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা অপীবা ওভর ৩০ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ৯ তুরগা পূন্না রন ১২৬ লৌবা ঙমখি।

ৱাই দল্লিয়ু সীনা টার্গেট রন ১২৭ লৌবা ঙম্নবা বেটিং তৌদুনা শান্নখিবা ইন্নিংস অদুগী ওইনা টিম অদুগী বেটসমেন পুখ্রম্বম বোনিসননা বোল ১৫ মায়োক্লবদা রন ১৬, দানেল সেরামনা বোল ৯ মায়োক্লবদা রন ১১ অদুগা কেলভিনসন খোইসমনা বোল ৩৫ মায়োক্লবদা রন ২৪ লৌরমখিবা অদু নৎতনা টিম অদুগী লেমহৌরিবা বেটসমেনশিংনা দিজিট অনী শুনা রনশিং লৌবা ঙমখিদে। মদুনা মরম ওইরগা ওভর ২১.৩ লোইবদা টিম অদুগী ৱিকেট ১০ মক আউট ওইরগা রন ৯১ খক্তমক লৌবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু এ কে এস দি ও খাঙবোক্লা রন ৩৫ দা মায় পাক্লুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী মেন ওফ দি মেটচনা এ কে এস দি ওগী সাইলেশ খুন্দ্রাকপমনা তাখি। মহাক্না ওভর ৫দা ৱিকেট ৪ লৌরমখি।

চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইখ্রবা এ কে এস দি ও খাঙবোক্কী টিমদা শেলগী মনা ওইনা লুপা লিশিং ৩০ অমদি ট্রোফি অদুগা রন্নর্স অপ তাখিবা ৱাই দল্লিয়ু সী লংথবালদনা লুপা লিশিং ২০ অমদি ট্রোফি পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি। চথরকখিবা টুর্নামেন্ট অসিগী হায়েষ্ট ৱিকেট টেকরনা খুথৈবম অবু সুফিয়াননা তাখি। হায়েষ্ট রন স্কোররনা এ কে এস দি ওগী চিংলেম্বা এলাংবম, মোষ্ট ইমর্জিং প্লেয়রনা এ এম সী এগী সহিদ খুল্লাকপম, মেন ওফ দি সেরিজনা এ কে এস দি ওগী চিংঙম্বা এলাংবমনা তাখি।

# সাই আর সীনা ক্লাসা অদুগা এথলেটিক ফুটবোল ক্লবনা য়ুনাইটেদ ব্রদর্স এফ সী থোইখ্রে

**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮(ঐচ এন এস):** ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেশনগী মীৎয়েং মখাদা ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশননা শীন্দুনা চথরক্লিবা ১৭লক শুবা মণিপুর ষ্টেট লীগকী ওইনা ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা সাই আর সীনা কৈনৌ লাইব্রেরি এন্দ স্পোর্টস এসোসিএশন (ক্লাসা) অদুগা এথলেটিক ফুটবোল ক্লব (এ এফ সী)না য়ুনাইটেদ ব্রদর্স (য়ু বি) এফ সী মায়থীবা পীখ্রে।

ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ তাবদগী হৌরগা আর্টিফিসল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা সাই আর সী অমসুং ক্লাসাগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী সাই আর সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙম্বগী খূদোংচাবা লৌরগা সাই আর সীনা মেটচ অদু পাঞ্জল ৫-০দা মায় পাকপা ঙমখি। সাই আর সীগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৫, ২০, ৩৭, ৬৩, ৮৩শুবা মিনটতা মথংশিংনা ব্লেস ভাশুম, ঙাইরাংবম জারিশ, খারিবম প্রভানন্দ মৈতৈ, রোবর্ট থোকচোম অমসুং ওইনাম রোমিওনা অমমম্ চনখিবনি।

অমরোমদা, এ এফ সী অমসুং য়ু বি এফ সীগী মরক্তা ঙসি নুংথিল পুং ২.৩০ তাবদগী হৌরগা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী এ এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা এ এফ সীনা পাঞ্জল ৪-০দা মাংজিল থারগা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনা এ এফ সীগী মায়কৈদগী মখা তানা পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখি। অদুগা য়ু বি এফ সীগী ওইনা পাঞ্জল ১দগী হেন্না চনবা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু এথলেটিক ফুটবোল ক্লবনা পাঞ্জল ৬-১দা মায় পাকখিবনি।

# একাদেমিক সেসন ২০২৫-২৬কী সিলেকশন টেষ্ট পাঙথোক্কনি


**ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ২৮(ঐচ এন এস):** নেশনল স্পোর্টস একাদেমি, খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স ইম্ফালনা শীন্দুনা চৎলিবা একাদেমিক সেসন ২০২৫-২৬তা তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন ৬তা ক্লাস সিক্সতা একাদেমি অসিদা এনরোল তৌনবগীদমক সিলেকশন টেষ্ট অমা পাঙথোক্কনি হায়না নেশনল স্পোর্টস একাদেমিগী প্রিন্সিপালনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা হায়, তোঙান-তোঙানবা স্পোর্টস দিসিপ্লিন তরুক অদুদি আর্চরি, বোক্সিং, জুদো, টাইক্বোন্দো, ৱেথলিফটিং অমসুং ৱেষ্টলিংনি। দিসিপ্লিন খূদিংমক্কী ওইনা নুপামচা অমসুং নুপীমচাগী সীট ৬/৬ লৈগনি। হায়রিবা সীটশিং অসিগী চাদা ৫০না মণিপুরগী ওইগনি অদুগা লেমহৌরিবা চাদা ৫০ অদুনা মপান লমদগী লাকপশিংগী ওইগনি। হেন্না অকুপ্পা মরোলগীদমক খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈবা নেশনল স্পোর্টস একাদেমিগী ওফিসতা লাক্লুনা খঙলবা য়াগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ৱেষ্ট হেমনা লেষ্টর সিটি মায়থীবা পীখ্রে

**লন্দন, ফেব্রুৱারী ২৮(এজেন্সী):** ইংলেন্দনা য়ূম্বু ওইদুনা চথরিবা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী ওইনা ৱেষ্ট হেমনা লেষ্টর সিটি মায়থীবা পীখ্রে।


লন্দন ষ্টেদিয়মদা ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা ৱেষ্ট হেমগী শান্নরোয়শিংনা বোল খরা হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। মেটচ অসিদা ৱেষ্ট হেমনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৫৮ ওইখিবা মতমদা লেষ্টর সিটিনা বোল পায়বগী চাং চাদা ৪২ ওইখি। বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙল্লিবা ৱেষ্ট হেমগী মায়কৈদগী মেটচ অদুগী ২১শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টোমাস সোকেক্কনা চনখিবনি। মদুগী মতুং ৪৩ শুবা মিনটতা ৱেষ্ট হেমনা চথরকখিবা কাউন্টর এটেক অমা থিংনবা হোৎনবদা শোয়বদগী লেষ্টর সিটিগী জেনিক ভেষ্টরগার্দনা মশাগী মায়কৈদা পাঞ্জল অমা চনশিঞ্জখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা লেষ্টর সিটিগী মায়কৈদগী মখোয়গী মায়োক্তা চনশিনখিবা পাঞ্জল অদু হন্দোকপা ঙম্নবা য়াম্না কন্না হোৎনরবসু মেটচকী অপীবা অরোইবা মতম ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদবনা মরম ওইরগা মেটচ অদু ৱেষ্ট হেমনা পাঞ্জল ২-০দা মায় পাকখিবনি।







## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



### PUZZLE NO. 1408

**Gilles Andruet (2450) - Boris Spassky (2565)**
**Bundesliga 8788 Germany, 1988**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 Nf6 | 2.c4 e6 | 3.Nf3 Bb4+ | 4.Bd2 Bxd2+ |
| 5.Qxd2 d5 | 6.Nc3 O-O | 7.e3 Qe7 | 8.Rc1 Rd8 |
| 9.Qc2 Nbd7 | 10.cxd5 exd5 | 11.Bd3 Nf8 | 12.O-O Ng6 |
| 13.Ne2 c6 | 14.Ng3 Re8 | 15.Qc5 Qd8 | 16.Nd2 Nh4 |
| 17.b4 a6 | 18.a4 Bd7 | 19.Rb1 Ng4 | 20.Qc2 g6 |
| 21.b5 axb5 | 22.axb5 h5 | 23.bxc6 bxc6 | 24.Rfe1 Qf6 |
| 25.Ndf1 Ra3 | 26.Re2 c5 | 27.dxc5 Ne5 | 28.Bb5... |

**QUESTION : Black to checkmate**

### Puzzle 1407 Solution :

**34. Ng5 h6 35.Qf7+ Kh8 36.Bxg7+** With a discovered attack by the white rook on Black's bishop. **Bxg7 37.Rc7 Rg8**

37...Re7 38.Rxe7 Rg8 39.Qg6 hxg5 40.Qh5+ Bh6 41.Qxh6#

37...hxg5 38.Qxg7#

**38. Qg6** Mating net **Rxc7**

38...hxg5 39.Qh5+ Bh6 40.Qxh6#

38...Qb7 39.Nf7#

**39. Qh7#** Damiano's knight mate

**1-0**




Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com